# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 17, 2018 **PAGE 7**




*ৱাৰ্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা চাইনিজ তাইপৈগী চেন সিয়ুয়ু চেংবু মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সট্লর লক্ষ্য সেন*



*আইজোলগা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা 'হেরো ওফ দি মেটচ' তাখ্রবা চেন্নাই সিটি এফসিগী গোলকিপর কবির*

## বোল্লিংগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দবু রন ৫২ দা থোইদুনা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি-২০গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা আয়রলেন্দগী ৱিকেট লৌবদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৬ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা চখ্ৰিবা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি-২০গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী বোল্লিংগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা আয়রলেন্দবু রন ৫২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস আয়রলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপা ফিভম ফজরকখি। ওপনর অনী মিথালি রাজ অমসুং স্মৃতি মন্ধনানা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৬৭ লৌবা ঙমখি। মন্ধনা বোল ২৯ মায়োক্নবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৩৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবী জেমিমা রোদ্রিগেজসু বোল ১১ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৮ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১০৭ শুরকপদা ৱিকেট ২ তুখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন টিম অসিগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর শুপ্নগী রন ৭ তা আওট ওইখি। ওপনর মিথালি রাজনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫৬ মায়োক্নবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫১ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্না স্কোর ওইখি। মখা তানা থোরকখিবা বেটসৱুমেনশিং রন ১৫ য়ৌবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৫ দা লোইশিনখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ১৪৬ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ শান্নখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নগী রন ৯৩ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৫২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ক্লার সিল্লিংটননা লৌরম্বা রন ২৩ অমসুং অহুমশুবা বেটসৱুমেন ইসোবেল জোইসিগী রন ৩৩ অদু নত্তনা অতোপ্পা টিম অসিগী বেটসৱুমেনশিং রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোল্লর রাধা যাদবনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। পুনম যাদবসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসৱুমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

## "হেরো ইন্দিয়ান সুপর লীগনা ইন্দিয়ান ফুটবোল ষ্টেন্দর্দ কদাইফাওবা হাইগৎলক্লবগে"

### এল. কালা, উরিপোক

হেরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ২০১৪ (লিশিং অনী শুপ্না তরামরি) দগী হৌখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেশন্না মসি পাঙথোক্লবা হোৎনবগী মপুং ওইবা পান্দমদি ইন্দিয়ান ফুটবোল ষ্টেন্দর্দ অসি হাইগৎপা ঙমগনি থাজবগা লোয়ননা লমদমসিগী শান্নরোইশিংসি পৈশা অদুমক মতিক চানা ফংহনবা মদুনা হৌরক্লিবা নহা কয়াবু ফুটবোল শান্ননিংনবা ইহৌ অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবসিনি। ক্লব অমমমবু মপু লৈহন্দুনা ফোরেন প্লেয়র ৭(তরেৎ) শান্নবগী অয়াবা য়াওনা মপুনা ক্লব স্কৱাদ অমা শেম্বদা লুপা ক্রোর ১৭.৫০ (তরাতরেৎ মখাই) চাদিং তৌবগী অয়াবা পীদুনা চৎন-কাঙলোন কয়া অমা শেমদুনা পৈশা পুথোকহনবা অমসুং পৈশা ফংহনবা অসিগা লোয়ননা ফুটবোল ভাবক কয়াবু পেলহন্নবা থৌরাং পায়খৎতুনা হোৎনবনি। ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিং অমদি ফুটবোল ফেনশিংনা য়াম্না পাম্নবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি ওইরে চহী ৪। ৫ অসিদা পৈশাগীদমক্তি থোইনা অৱাবা লৈনরক্রে হায়না লৌরগসু হৌজিক এআইএফএফকী কোক্তা অসুম থেংনরক্লবা মতুং অসিদা হৌখ্রবা টুর্নামেন্ট কয়া অসিনা ইন্দিয়ান ফুটবোল ফিফা রেঙ্কিংদা কয়া য়াম্না হাইগৎপা হেনগৎপা ঙম্বগে হায়বা নৈনবা য়াবা ৱাফম থোরক্তুনা খন্নবা নৈন্নবা হৌরকখ্রে। ইন্দিয়ান প্লেয়রগা ফোরেন প্লেয়রগা ফোরেন প্লেয়রনা মশীং হেন্না শান্নবসিনা শান্নবা য়েংবদদি য়াম্না মপুং ফানা নুংঙাইবা ওইরবসু য়েংবখক্তুং নুংঙাইবা অদুগা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিং অসিনা মশান্নগী ষ্টাইলদি খঙন-খঙনা ফোরেন প্লেয়রশিংনা তৌবগুমদি হেক্তা পাঙথোকপা ঙম্বগী চাং অসি ইহেন হেনগৎলক্তবনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা ইন্দিয়ান ফুটবোল ফিফা রেঙ্কিংদা হেনগৎলকপা করিসু লৈতে হায়বসিনি। অদুবু ফিফানদি ইন্দিয়া অসি ফুটবোলগীদমক হোৎনবা লেপ্তবা হোৎনবা কনবা লৈবাক অমনি হায়না শিংথাদবদি নৎতে। ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবদা ফুটবোলগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা শান্নরোইশিংদা থৌগৎপা য়াবা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি খুদোংচাবা কয়া পীরবসু ইন্দিয়ান প্লেয়র অমত্তা পৃথিবীগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা শান্নবা ঙম্বগী ষ্টেন্দর্দ অসি য়ৌরক্তবা অসিনা ইন্দিয়ানা হোৎনরিবসি কদাইদনোমা শোয়রি নৎত্রগা ইন্দিয়াদা হোক্কীগুম ক্রিকেটগুম্বগী পৃথিবীদা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা প্লেয়র পোক্লিবসি ফুটবোলগীদমক্তি পোক্তবজাৎলা হায়বসি হংবা য়ারক্লি।, চান্নদবা মশান্না অমদা হেন্না হোৎনরবসু মহৈ চারোইদবা লৈরবদি করি কান্নগনি। মণিপুরগী কনটেক্সতা য়েংলবসু নুপা নুপী অনীমক্তা ফুটবোলদা ঙাওজবা পামজবা লমদম অমা ওইনা লৈরবসু ইন্দিয়াগী ৱাংমা লান্না শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই অমত্তা থোরক্ত্রি লোয়ননা ৱাংমা লান্না ফুটবোল তম্বীবা ঙম্বা কোচ অমত্তা থোরক্ত্রি। অহৈবা ফুটবোল কোচ লৈতনা করম্না ফুটবোল হৈগৎলক্কনি খন্নবা মথৌ তাই। চৎথরিবা হেরো আইএসএল অসিদা করম্বা ক্লবকী শান্নরোইনা গোল মশীং হেন্না চনলিবগে লোয়ননা কনানা কোচ ওইরিবগে হায়বদু খঙমিন্নসি। ১১ নবেম্বর, ২০১৮ ফাওবগীনি।

| শান্নবা মশীং | গোল মশীং | শান্নরোই মিং | ক্লব মিং | কোচ মিং | কোচ চহী | কোচ করি লম মচা |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ৬ | ৮ | ফেরান টেলিচি স্পেন | এফসি গোৱা | সেরজিও লোরেরা | ৪১(নিফুমাথোই) | স্পেন |
| ৬ | ৬ | বারথোলেনিউ ওগবেচে,নাইজেরিয়া | নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি | ঈলকো স্কাহোরি | ৪৬(নিফুতরুক) | নেদরলেন্দ |
| ৬ | ৪ | ইদু বেদিয়া পেলেজ স্পেনিস | এফসি গোৱা | --- | --- | --- |
| ৫ | ৪ | সুনিল ছেত্রি ইন্দিয়া | বেঙ্গালুরু এফসি | কারলস কাদ্রেট | ৫০ (য়াঙ্খৈ) | স্পেন |
| ৭ | ৩ | সেরজিও সিদোনচা স্পেন | জমসেদপুর এফসি | সিসর ফেরান্দো | ৫৯ (য়াঙ্খৈ মপান) | স্পেন |
| ৫ | ৩ | নিকোলাস ফেদর (মিকু) ভেনেজুয়েলা | বেঙ্গালুরু এফসি | --- | --- | --- |
| ৭ | ৩ | মোদৌসৌগৌ সেনেগাল | মুম্বাই সিটি এফসি | জোর্জেকোষ্টা | ৪৭(নিফুতরেৎ) | পোর্টুগাল |
| ৫ | ৩ | থোই সিংহ (মণিপুর) ইন্দিয়া | চেন্নাইন সিটি এফসি | জোন গ্রেগোরি | ৬৪ (হুম্ফুমরি) | ইংলেন্দ |
| ৬ | ৩ | মাইকেল সুসাইরাজ ইন্দিয়া | জমসেদপুর এফসি | --- | --- | --- |
| ৭ | ৩ | স্লাভিসা ষ্টোজা নোভিক, সেরবিয়ান | কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি | দেভিদ জেমস | ৪৮(নিফুনিপান) | ইংলেন্দ |

ইন্দিয়া মচা কোচ অমত্তা য়াওদে, গোল য়াম্না চনবসু ফোরেন প্লেয়রনা ওইরি

## নেসন্স লীগ ফুটবোলদা বেলজিয়মনা আইসলেন্দবু ২-০ দা থোইখ্রে, ক্রোএসিয়ানা স্পেনবু ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে



*বেলজিয়মগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী চনখিবা মিচি বাটসুয়ানিয়না হরাওবা উৎপা*

*ব্রুজেলস, নবেম্বর ১৬ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চখ্ৰিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা বেলজিয়মনা আইসলেন্দবু ২-০ দা থোইখ্রে, রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রন্নর্স অপ ক্রোএসিয়ানা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বেলজিয়ম অমসুং আইসলেন্দনা শান্নখিবা নেসন্স লীগ অসিগী লীগ 'এ' গ্রুপ টুগী মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা এটেক অমদা মিচি বাটসুয়ায়িনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৮১শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মিচি বাটসুয়ায়িনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

নেসন্স লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ 'এ' গ্রুপ ফোরগী মেটচ অমদা রুশিয়াদা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা রন্নর্স অপ তাখিবা ক্রোএসিয়ানা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৫৪শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা এটেক অমদা এন্দ্রেজ ক্রামরিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবসু মিনট অনী লৈরগা স্পেনগী শান্নরোই দানিয়েল সেবালোসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

৬৯শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিন জেদভাজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১ দা স্পেনবু হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মেটচ অদু ২-২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা টিন জেদভাজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-২ দা মায় পাকখি।

লীগ 'দি' গ্রুপ টুগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বেলারসনা লুজেমবর্গপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। মেটচ অসিগী অহানবাপাঞ্জল বেলারসকী শান্নরোই ষ্টানিস্লেভ দ্রাগুননা ৩৭শুবা মিনটতা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা বেলারসকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ষ্টানিস্লেভ দ্রাগুননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-০ দা মায় পাকখি।

## সান্দ্রোগী পাঞ্জল অনীনা চেন্নাইনা আইজোলবু ২-১ দা থোইখ্রে



*আইজোল অমসুং চেন্নাই সিটি এফসিনা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমগী মতাং*

*আইজোল, নবেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী ঙসি আইজোলদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সান্দ্রো রোদ্রিগেজগী পাঞ্জল অনীনা চেন্নাই সিটি এফসিনা য়ুম্বু আইজোলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা আইজোলনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা লালরিনফেলানা কাউশিনবদা ক্রোস বারদা পানবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা আইজোলগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা লিবরিয়ান ষ্ট্রাইকর অন্সুমানা ক্রোমানা হেদ্দিং তৌশিনখিবা বোল অমা চেন্নাই সিটি এফসিগী গোলকিপর কবিরনা ফাখিবদগী টিম অসিনা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা অনীশুবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

মিনট অমা লৈরিবা চেন্নাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথ্ৰকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা সান্দ্রো রোদিগ্রেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা আইজোলগী শান্নরোই অন্সুমানা ক্রোমানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সান্দ্রো রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থারবা মতুং লেমহৌবা মতমশিং অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু চেন্নাইনা ২-১ দা মায় পাকখি।

## বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী সাকেট মাইনেনি অমসুং গুন্নেশ্বারন শান্নরগনি



*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৬ঃ*

কর্নাতকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চখ্ৰিবা বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি গুন্নেশ্বারন অমসুং সাকেট মাইনেনি শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা কানাদাগী ব্রেদেন স্কনুরবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেঙ্গালুরু ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা কজাখষ্টানগী এলেকসান্দর নেদোভিয়েসোভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলস ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এম পুরকেল অমসুং এল সাভিলিনা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ক্রোএসিয়াগী এ সানকিকপু ষ্ট্রেট সেট ৭-৬(৭-৩), ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

## সরিতা দেবী ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চখ্ৰিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৬০গী অনীশুবা রাউন্দগী বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সরিতা দেবীনা স্বিটজরলেন্দগী বোক্সর সান্দ্রাবু পোইন্ট ৪-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

কেজি ৫৪গী ঙসি থিন্নখিবা অহানবা রাউন্দগী বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেডালিষ্ট য়ুএসএগী বোক্সর খৃষ্টিয়ানাবু পোইন্ট ৫-০ দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌদগী হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে

*কোলুন, নবেম্বর ১৬ঃ*

হোং কোংগী সিটি কোলুনদা চখ্ৰিবা য়ুএস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়গী লম্বা লোইশিনখ্রে।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থপু ৮শুবা সিদেদ জপানগী কে নিসিমোটোনা ষ্ট্রেট সেট ২১-১৭, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা হোং কোংগী লি চিয়ুক লিয়ুগা শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী লি চিয়ুক লিয়ুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সমির বর্মবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৫, ১৯-২১, ২১-১১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটা অমসুং ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুন শান্নরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২২-২৪, ২১-৯, ২১-৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই লি দোং কিয়ুনবু ষ্ট্রেট গেম ২১-১৬, ২১-১৪ দা থোইরম্বনি।

হোং কোং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৮-২১, ২১-৯, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাগা শান্নরগনি।

জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী পি চোচুৱোংবু ২১-১২, ১৬-২১, ২১-৬ তা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুন অমসুং থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন শান্নরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু অহানবা গেম ২১-১৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা গেমসু ১৯-১১ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ হি বিংজিয়াও মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুন সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২১-৯, ২১-১৬ দা থোইরম্বনি।